# জাপান পি এম না মহাক্কী লৈবাকপু ন্যুক্লিয়ারগী খুৎলায় লৈতবা ওইহন্নবা আপিল তৌখ্রে



***টোকিও, আগষ্ট ৯ ঃ***

ঙসি নাগাসাকিদা এটোম বোম পোকখায়হনখিবা অদুগী ৭০ শুবা চহিগী কুমওন্দা জাপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা জাপানবু ন্যুক্লিয়ারগী খুৎশু–খুৎলায় লৈতবা লৈবাক অমা ওইহনগনি হায়না মহাক্না থাজবা পীখিবা অদু অমুক্কা হন্না নীংশিংখ্রে। হায়রিবসি মমাং চয়োলদা হিরোসিমাগী এটোমিক বোম থাদখিবা কুমওন পাঙথোকপদা মহাক্না ফোঙদোকখিদে হায়বগী ক্রিটিসিজম কয়া লাকখ্রবা মতুং হায়খিবনি।

মালেমসিগী মনুংদা লানগী মতমদা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় সিজিন্নদুনা এটেক তৌরকখিবদা অৱাবা তাখিবা লৈবাক অসি জাপান খক্তনি। মরম অদুনা মালেমসিবু ন্যুক্লিয়ার খুৎশু–খুৎলায় লৈতবা মফম ওইহনসি হায়না কেম্পেইন তৌবদা মকোক থোংবা লুচিংবা অমা ওইগনি হায়না লেপখিবদু অমুক নীংশিংলগা ন্যুক্লিয়ারগী নত্তবা প্রিন্সিপল অহুম অদু ঙাক্না চৎকনি হায়না অবেনা নাগাসাকি পিছ পার্কতা তিনখিবা মীয়ামদা থমখি।

ন্যুক্লিয়ার নত্তবা প্রিন্সিপল অহুম হায়বসি ন্যুক্লিয়ারগী খুৎশু–খুৎলায়শিং থমদবা নত্রগা পুথোক্তবা হায়বা জাপানগী মতম শাংনদগী লৈরক্লবা পোলিসি অমনি অমসুং কনাগুম্বা অমত্তনা লৈবাক মনুংদা অদুগুম্বা খুৎলায়শিং পুশিলহল্লক্তবা হায়বসিনি।

জাপানগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা য়াম্না কন্ট্রোভর্সি লৈবা সিক্যুরিটিগী আইনগী মতাংদা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অনৌবা ৱাথোক অমা অমুক লাকহনখ্রবনি।

জাপান পার্লিয়ামেন্টনা খন্নরিবা বিলশিং অদুদা মিলিটরিনা ফোরেন ফোর্সশিংদা শিজিন্নরিবা ন্যুক্লিয়ারগী খুৎলায়শিং ত্রান্সপোর্ট তৌবা য়াদে হায়বা ৱাফমদি য়াওদে হায়না মহাক্না হায়রুবদগী হৌজিক লৈরিবা জাপান গভর্নমেন্ট অসি ক্রিটিসিজম কয়া তৌনরকপা য়াওখ্রবনি। অবেগী কেবিনেটনা মমাং চহিদা লৌখিবা ৱারেপ অমদা অনিশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা আমেরিকানশিংনা ড্রাফ্ট তৌরম্বা পেসিফিষ্ট কন্সটিট্যুসন অদু অমুক শেমদোকপা হায়না লেপ্পখিবনি। মসি জাপান মশাগী ওইনা কলেক্টিভ ওইবা সেল্ফ দিফেন্স অমা লৈহন্নবা নত্রগা মখোয়গা চৎনমিন্নবা লৈবাক অমদা লান্দারকপা মতমদা ঙাকথোক্নবা আইনশিং হাপচিন্নবনি।

মীয়াম্না পাম্নদ্রবসু বিলশিং অদু লৱার হাউসতদি পাস তৌখ্রবনি অমসুং খন্নগদৌরিবা অপর হাউসতা অবেগী পার্টি অসিনা মেজোরিটি ওইরিবনি। অদুবু সর্ভে রিপোর্টতা ভোট্টরশিং অদুগী অয়াম্বদি হায়রিবা বিলশিং অদুগী মায়োক্তা লৈগনি হায়রবনিনা জাপানগী দিফেন্স পোলিসি অসি চাউনা অহোংবা কয়া লাকপা য়ারিবনি।

লাক্লিবা আগষ্ট ১৫ দা জাপান্না অনিশুবা লাঞ্জাওগী এলাইশিংগী মফমদা সরেন্দর তৌখিবগী ৭০শুবা কুমওন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শিখিবা জাপান লান্মীগী নীংশিং খুভম ওইরিবা য়াসুকুনি স্রাইন্দা অবে মশা চৎলোই হায়না ফোঙদোক্লরি।

মমাংদা অবে হায়রিবা খুভম অদুদা লেপ্তনা চত্তুনা হৈকৎ–লৈকৎ তমখিবনি অমসুং মহাক্না মফমদুদা চৎপা খুদিংমক্তা চাইনা অমসুং সাউথ কোরিয়ানচিংবা মতম অমদা জাপান্না লৌশিল্লম্বা লৈবাকশিংনা হেক হেক নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লখিবনি। করিগুম্বা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা য়াসুকুনিদা চত্তুবসু জাপান্না মায়থিখিবা ৭০শুবা চহি কুমওন মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী মতাংদা মহাক্কী ৱারোল থাদোরকপা অদুসু করিগুম্বা মহাক্না এপোলোজি তৌদ্রগদি মীয়াম্না খরগীমখৈ থিনা হায়নগদবা লৈ।

জাপান্না লানগী মতমদা তৌখিবা থবকশিং অদুগী নুংঙাইতবা লৈ হায়রগসু লৈবাক্তুগী মেদিয়ানদি মহাক্কী ৱাহৈদা এপোলোজি তৌবা হায়বদি, মশানা য়ানা লানখ্রে হায়বসি য়াওবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখিবনি। অবেগী ৱাঙাং খুদিংমক চাইনা অমসুং সাউথ কোরিয়ানা য়াম্না কুপ্না য়েংলিবনি হায়নসু ফোঙদোক্লরক্লি।

# চাইনাদা টাইফুন্না মীওই ৮ হাৎখ্রে



***বৈজিং, আগষ্ট ৯ঃ***

চাইনাগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোঙবান্দা অকনবা মওংদা শিৎচিল্লকখিবা টাইফুন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা মেইন লেন্দদা য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা মীওই ৮ হাৎখ্রে অমসুং ওথোরিটিশিংনা ফ্লাইট মশিং চা কয়া কেন্সেল তৌখ্রে অমদি মীওই ১৬৩,০০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোন্দোকপগী থবক চথখ্রে হায়রি।

টাইফুন সোদেলরনা মমাংদা টাইৱান্দা শিৎচিল্লকপা মতমদা মীওই ৬ শিখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা, টাইফুন অদু টাইৱান ষ্ট্রেট লোমদা শিৎচিল্লক্তুনা ফুজিয়ান প্রোভিন্সকী মেইন লেন্দদা থাংজ নুমিৎকী অহিংদা য়ৌশিল্লকখি। মদুদগী অমুক টাইফুন অদু য়ুমথংনরিবা ঝেজিয়াং অমসুং জিয়াংসি প্রোভিন্সশিংদা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ৌশিল্লকখি হায়না জিনহুৱা ষ্টেট নিউজ এজেন্সিনা পীবা পাউদা ফোঙদোরক্লি।

ত্রোপিকেল ষ্টোর্ম রিস্ক ৱেবসাইটতা চাইনাগী লমগী শরুক ফাওনা শিৎচিল্লকপা মতমদদি সোদেলর অসি ত্রোপিকেল ওইবা নোংলৈ নুংশিৎ অমখক্তঃমক ওইবগী চাংদা শিৎচিল্লকখি হায়রি।

সি সি টি ভি ষ্টেট টেলিভিজন্না রিপোর্ট তৌখিবদা অকনবা নোং অমদি নুংশিৎনা উ কয়া মরু ফুক্না তুহনখি অমসুং খুৎশেমগী ওইবা ঙাইহাক্কী ঈচাওশিং থোকপগা লোয়ননা চীং নীংখায়রকপগী থৌদোক কয়া থোকপদগী হাংঝৌ সিটিদা মীওই ৮ শিখ্রে। টেলিভিজন্দা ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা লম্বীশিংদা হুন্দোক্লগা থল্লম্বা তঙ্খায় হেন্না লুপ্লবা গাড়ীশিং অমসুং মদুগী মনাক্তঃ অশি–অনাশিংগী হকচাং থেংনৱা হায়না থিরিবা লান্মীশিংনা ঈশিংদা কুম্লগা চৎপনচিংবা উৎখি।

ফুজিয়ান্দগী শাফগদবা মফমশিংদা মীওই ১৬৩,০০০ হেনবদি অতোপ্পা মফমশিংদা লাঞ্জেন্নখ্রবনি অমসুং ইলেক্ট্রিসিটি ফংদবদগী য়ুম মিলিয়ন ২ হেন্না খুদোংচাদবা কয়া থোকহনখ্রে। ফ্লাইট ৫৩০ হেন্না কেন্সেল তৌখ্রে অমসুং হায় স্পিদ ত্রেন ১৯০ সস্পেন্দ তৌখ্রে।

নোংজু অমসুং নুংশিৎকী চাং হৌজিক হন্থখ্রবসু মীওই কয়ানা তুরবা উশিং, লৈনাংশিং অমসুং অতেক–অকায়শিং লম্বীশিংদগী লৌথোক্লবা হোৎনরিবা মরম্না হৌজিক ফিভম অসি হান্নগী মওংদা হঞ্জিনবদি ঙমখিরোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

## ঝিনজিবারদা অকনবা লান শোক্লখ্রে

***ঝিনজিবার, আগষ্ট ৯ঃ***

য়েমেনগী প্রো–গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা লালহৌবশিংনা লৌশিনখ্রবা খা থংবা অব্যান প্রোভিন্সকী কোনুংগী মথক্তঃ লান্দাশিনখ্রে হায়না মিলিটরিগী পাউশিংনা হায়রি।

ত্রুপশিং অদু সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না সপ্লাই তৌবা টেঙ্ক অমদি অতৈ মিলিটরিগী খুৎশু–খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা অৱাং অমসুং খা থংবা মায়কৈদগী ঝিনজিবারদা এটেক তৌশিনখি। করিগুম্বা হন্দক্কী সহর অসি কোলিসননা লৌশিনবা ঙম্বা তারগদি হৌথি রিবেলশিংদা অচৌবা শাফু অমগা অমুক পীরগনি। মমাংদা হায়রিবা লালহৌলুপ অসি কয়ারক হন্না মফম কয়াদা মায়থিবা নংখ্রবনি।

হন্দক্কী চয়োলসিমক্তদা মরুওইবা এয়ারবেজ অমদগী হৌথি রিবেলশিং অসি তকথোকখ্রবা মতুং এদেন সহরসু প্রো–গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা হন্দোকখ্রবনি। অল–অনন্দ এয়ার বোজ হায়রিবা এদেনগী অৱাংথংবদা লৈবা মফম অদুদা লান শোক্লবদা মীওই কয়া অমা অশোক অপন নংবগী পাউসু মমাংদা ফোঙনখ্রবনি।

সাউদিনা লুচিংবা কেম্পেইন অসিদা হৌজিক অয়াম্বা য়েমেনগী শরুক কন্ট্রোল তৌরিবা রিবেলশিং অসি মায়থিবা পীবা ঙম্লবনি। লানফমশিং অদুদা ইমিরেটকী লান্মী ৩ দি শিখি হায়না ৱাম এজেন্সিনা পীবা পাউ অমনা হায়রি।

## করপসন লাকশিন্নবা ইরাক পি এম না থৌরাং লৌখৎখ্রে

***বাঘদাদ, আগষ্ট ৯ঃ***

গভর্নমেন্টনা তৌরিবা চাদিংশিং হন্থহন্নবা অমসুং শেঞ্জা–থুমজাগী থবক কয়া চথরে হায়না মীয়াম্না লৈবাক শিন–থুংবদা প্রোটেষ্ট তৌরক্লিবা অদুগী য়েংলগা করপসন মুত্থৎনবা ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর হায়দর অল–অবাদিনা মখল মখা কয়াগী থৌরাংশিং পায়খৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

সেনিয়ার ওইবা পোলিটিকেল এপোইন্টমেন্টশিং অসি কাংলুপ নাইবা নত্রগা পার্টিগী কোটানচিংবদা হাপ্পা য়ারোই অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমশিং অসিসু মুত্থৎনবা থৌরাং কয়া অমা পায়খৎলে হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

অবাদিনা হৌজিক প্রপোজ তৌরিবা হান্নগী চৎনবী কয়া অদু হোংদোক্লবা থৌরাং অসি পার্লিয়ামেন্টকী অয়াবা অমা লৌবগী তঙাইফদবা অদুদি লৈরি। প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙথাং অসি গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা অকনবা নুংশাগী মৈশা মরক্তা ইলেক্ট্রিসিটি ফংহন্দবগী মতাংদা অকনবা মীয়ামগী প্রোটেষ্ট লাকখ্রবা মতুং পায়খৎলকপনি। মসিগী মথক্তঃ ইরাক্কী সিয়া কাঙলুপকী ধর্ম্মগী লুচিংবা অয়াটোলাহ আলি অল–সিষ্টানিনা অবাদিদা করপসনগী মায়োক্তা চপ চানা হিংনবা থবক পায়খৎপা অমসুং পোলিটিকেল এপোইন্টমেন্টশিং অসি পার্টি নত্রগা কাঙলুপ নাইবগী মওংদা খনবগী মহুৎ মশা মশাগী তৌবা ঙম্বগী শক্তি অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা হাপ্পু হায়না তকশিল্লকপা লৈখ্রবনি।

কাঙলুপ নাইবা মওংদা থবক হাপ্পগী থৌওংশিংনা মতিক চাদবা কেন্দিদেটশিং প্রমোসন পীবগী অমদি শেঞ্জা থুমজা শৌগৎপা ওইনা থোকহল্লে হায়নসু ইরাক সরকার অসিনা ক্রিটিসাইজ তৌদুনা লাকপনি। লৈবাক্তুদা হৌজিক লৈরিবসি ভাইস প্রসিদেন্ট অহুমনি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা অনিনা সিয়ানি অদুগা অমনা সুন্নিনি। দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ৩ লৈরিবদুসু – সিয়া, সুন্নি অমসুং কর্দ অমমমনি হায়রি।

## মোর্টার এটেক্তা ৯ শিখ্রে

***বৈরুট, আগষ্ট ৯ঃ***

সিরিয়াগী কোনুং দামস্কসতা মোটার বোম এটেক মথং মথং তৌরকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৯ শিখ্রে অমসুং মীওই কয়া অমা অশোক–অপন নংখ্রে হায়না সিরিয়ান ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মোনিটরিং গ্রুপ অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, শিখিবশিং অদুগী মনুংদা অঙাংশিংসু য়াওখি। সিরিয়া সরকারগী পাউগী লিখুনশিংনা ফোঙদোরকপদা, দামাস্কসতা ঙরাং থাংজ নুমিত্তা মী কুংনা তাবা মফম কয়ামুক্তঃ মোটার বোমশিং কাপশিল্লকখি। মদুনা সিভিলিয়ানশিংগী মরক্তা অশি–অনা থোকহনখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা অকুপ্পা মরোলদি পাউগী লিখুন অদুনা হায়দোরকখিদে। হৌজিক ফাওবদা এটেকশিং অদু কনানা তৌবনো হায়বগী মতাংদা দাইত্ব লৌবা ঙম্বা অমত্তা চোংথোরক্তুবসু দামস্কসকী মনাক্তা লৈবা ইষ্টর্ন ঘৌতাদা বেজ তৌবা লালহৌলুপশিংনা রোক্কেট অমসুং মোটার বোমগী এটেকশিং মমাংদসু চথরকখিবা লৈবনা লালহৌবশিং অদুনা থৌওং অদু চখিখ্রিৱা হায়বগী চিংনবা লৈ। সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল–অসাদকী সরকার হেক লাকপদগী দামস্কসতা ২০১৪ গী অথেংবা শরুক্তা অমসুং ২০১৫ গী অঙনবা শরুক ফাওবদা বোম থাদদুনা এটেক তৌবগী চাং অসি য়াম্না ৱাংখৎলক্লিবনি হায়রি।



# লাক্লিবা শগোলশেল নুমিত্তা ময়াই লম্বীগী হিয়াংথাং ফাওবা হ্যুমেন চেন শেমগদৌরি

***ইম্ফাল, আগষ্ট ৯ঃ***

লমদম অসিদা আই এল পি এস চৎনহন্দুনা য়েলহৌমী কনগদবনি হায়বা মীয়ামগী খোঙজংগী মনুং চন্না লাক্লিবা শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.৩০ ফাওবা ময়াই লম্বীগী ৱাহেংবম লৈকায় সগোলবন্দদগী হিয়াংথাং ফাওবা হ্যুমেন চেন শেমগনি। লোয়ননা মখা তানা নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা ৱাকৎ মীফম ফম্বগা লোয়ননা থোং অহনবী লংথবাল লেপ মখা লৈকায়গী লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্কনি হায়রি।

লংথবাল লেপ, লংথবাল মন্ত্রিখোং অমসুং ফুরামখোং নম্বুল মপান্দা লৈবা ক্লব, মৈরা পায়বী, এন জি ও শিং অমদি নহারোল কয়া য়াওনা ঙরাং লংথবাল লেপ মখা লৈকায়দা লৈবা ইমা পাম্ভোইবী শঙলেন্দা আই এল পি এস চৎনহন্নবা হৌরিবা ঈহৌগা মরী লৈননা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা লংথবাল নিংঙোম্বম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ওইরম্বী নামৈরাকপম ওংবী গঙ্গালৈমা, সোসিয়েল ৱার্কর লৈশাংথেম ইবোবী মীতৈ অমসুং আই এল পি এস কী এক্টিভিষ্ট লৈফ্রাকপম ভিক্তরভাগ্যা (মেঘচন্দ্র)না প্রসিদেন্ট মেম্বর ওইখি হায়রি।

মীফম অদুনা অপুনবা লংথবাল লেপ অমসুং ফুরামখোং নম্বুল মপান আই এল পি এস দিমান্দ কম্মিটি হায়না শেল্লম্বা অদুদা লংথবাল মন্ত্রিখোং হাপচিনবা অদুগা হেদ ওফিসনা লংথবাল লেপ মখা লৈকায়দা ওইবা হায়না য়ানখিবগা লোয়ননা লৈফ্রাকপম ভিক্তরভাগ্যাবু কম্মিটি অসিগী কনভেনর অমসুং চিংশুবম নিল্লধ্বজ মৈতৈবু কো–কনভেনর ওইনা খনখি।

কম্মিটি অসিগী কো–কনভেনরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙরাং ফমখিবা মীফম অদুনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা থাসিগী ১৩ শগোলশেল নুমিত্তা সগোলবন্দ ৱাহেংবম লৈকায়দগী হিয়াংথাং ফাওবা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চথনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

মীফম অদুনা মখা তানা সরকারনা শেমখিবা ড্রাফটিং কম্মিটিনা সরকারদা পীশিল্লক্লে হায়রিবা ড্রাফ বিল অদুগী কোপি অমা পীবিনবসু হায়জবা হায়না য়ানখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মীয়াম্না চংশিল্লিবা খোঙজংগা মরী লৈননা জেনরেল স্ট্রাইক, বন্দনচিংবা কৌবা মতমদা তঙাইফদবা সার্ভিসশিং, মেদিয়া, লাইনিং লাইশোন অমদি অনা–অয়েক্কা মরী লৈনবশিং শোক্তনবা হোৎনবা হায়নসু য়ানবগা লোয়ননা মীয়ামদসু আপিল তৌখি।

ঙরাংসু মহৈরোই সাপম রোবিনহুদনা লৈখিদবা থা অমা ফারকপগী নীংশিংবা ওইনা মীফম অদুনা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙখিবগা লোয়ননা নুমিদাংদা কম্মিটিনা কোনবা এরিয়াদা লৈবা য়ুমথোং খুদিংগী কোম্ভোংদা মৈরা কৎখি।

মহৈরোই রোবিনহুদনা শোকখিবা মফমদা মহাক্কী মীতম শাবা অমসুং শোক্লিবা মফমগী লম্বী অদু সাপম রোবিনহুদ রোদ হায়না থোনবীনবা সরকারদা তকশিনবা হায়নসু য়ানখি হায়রি।

হৌখিবা জুলাই ২৯ দা আর কে অনন্দ এম এল এদা কম্মিটিনা পীশিনখিবা মেমোরেন্দমদা য়াওবা দিমান্দশিং থাসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা পাঙথোক্ত্রবদি মথংগী নুমিত্তগী এম এল এ বু বোয়কোট তৌবা হায়নসু লেপ্পখি হায়রি।

## লিলোংগী ঙাঙৌ লৌকোল কিনিংঙাই ওইরে

***ইম্ফাল, আগষ্ট ৯ঃ***

লিলোং কেন্দ্রগী মনুং চনবা মায়কৈ মরিমক তুরেলনা ঈকোয় কোয়শিনবা লৌ পরিং ৫০০ রোম ওইবা ঙাঙৌ লৌকোন ঈশিং থুমজিনখিবদগী লৌমীশিং কোক্তা খুৎ হাপ্তুনা চেন্নবগা লোয়ননা লৌকোন অসি অকিবগী মশক ওইরে হায়না লিলোং পোলিটিকেল য়ুনিফাইদ লিঙ্ক (লিপুল) না ফোঙদোরক্লি।

লিপুলগী পাব্লিসিটি সেক্রেটরি এম এস রহামননা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হৌজিক ফাওবা সরকারগী মরী লৈনবা ওথোরিটি অমত্তনা অৱাবা অসি খঙশিন উশিন্নদনা লৈথোক্লি।

হৌখিবা চহি ২০১১ দা ঙাঙৌ লোকোন ঈপাক ওনখিবগা লোয়ননা মতম সাংনা ঈশিংনা ঈরিদুনা লৈখিবদগী লৌ পুম্নমক মাঙ তাকখিবনি। মখা তানা ২০১২ দা অমুক ঈকং থোক্তুনা লৌ পানবা য়াখিদে। মখা তানা ২০১৩–১৪ দসু লৌকোন অসিদা তিন কয়া তাশিন্দুনা মহৈ মরোং পুম্নমক মাঙ–তাকখি। চৎলিবা চহি অসিগী ওইনসু লৌকোন অসি পাৎকা চপ মান্ননা লৈরি।

ফিভম অসিদা সরকার অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিনা মিৎয়েং অমত্তা চংবিদবসি য়াম্না পেন্নিংঙাই ওইদে। হৌজিকসু লৌকোন অসিদা তুংদুনা লৈরিবা ঈশিং ইঞ্জিন্না চিংথোক্লবদি খরদা ওইরবসু কনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, তুরেল তোর্ব্বানশিংগী ফিবম য়াম্না ফত্তবদা নত্তনা মফম কয়াদা ঈফুৎ ফাওবনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা ঈচাও অমুক লাক্লবদি অমুক্কা হেন্না অৱাবা ওইরগনি। মরম অদুনা নোং হাংলিঙৈ মতম অসিদা ঙাঙৌ লৌকোনগী অকোয়বদা লৈরিবা তুরেল তোর্ব্বানশিং লৈবাক হাপ্তুনা নীংথিনা অমসুং চিকশিন্না শেম্বীরবদি তুংদা থোক্লক্কদবা অকিবা কয়াদগী কনবা ঙমগনি। মসিগীদমক সরকার অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট লোয়ননা কেন্দ্র অসিগী এম এল এ সু ওইরিবা চিফ মিনিষ্টরনা অথুবদা মীৎয়েং চংবিয়ু হায়রি।

অমরোমদা লিলোং করামপাৎ লৌকোন অমদি উশোইপোকপী লৌকোন অমসুং মাইরেল খুন্দা খুৎশেমগী ঈচাও থোক্তুনা লৌফম কয়া থুমজিনখিবা অমদি খুঞ্জাশিং অৱা–অনা নংলিবা অসিগী মতাংদা লোকেল এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর অমসুং লোকেল বোদিশিংনা খঙশিন উশিন্নদনা লৈথোকপসিসু পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

## আই এল পি সিষ্টেম চৎনহনবা অফবা ওইগনি

***ইম্ফাল, আগষ্ট ৯ঃ***

য়েলহৌ মী কন্নবা চংশিল্লিবা মীয়ামগী খোঙজংদা পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম, মণিপুরনা মপুং ফানা শৌগৎলদুনা হৌজিক অচৌবা ইশু অমা ওইরিবা অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা হোৎনবদা সিষ্টেম অসি চৎনহনবনা খ্বাইদগী অফবা খোঙথাং ওইগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ফোরমগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জে এ সি আই এল পি এস, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী ইমাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা চংশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী ৱাহন্থোক সরকারনা মুন্না খন্থবিদুনা থবক পায়খৎপনা তুংগী মীরোলগী য়াইফবা ওইগনি।

অইবশিংনা ৱারী–লাইরিক্তা পুৱারী ইদুনা থমহৌগদৌরিবনিনা অচুম্বা অমদি অশেংবা লমদমসিগী পুৱারী ইদুনা থমহৌবা মথৌ তাই। মরম অদুনা লৈঙাক্লোয়শিংনা মীয়াম্না য়াবা অমদি মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক তৌবনা অচুম্বা ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবগী মিংদা পুলিস ফোর্সনা অহেনবা শক্তি শিজিন্নদুনা মীয়াম মরুওইনা ঈহৌ হৌরিবা নুপী অঙাংশিংদা অকনবা অরিং শিংবা উশিৎ–থওইদবগী থৌওং কয়া চথরক্লিবা অসিসু সরকারগী অফবা খোঙথাং নত্তে। মহৈরোই রোবিনহুদ লৈখিদবা থা অমা ফারবা ফাওবা সরকারনা মীয়ামগী অপাম্বা বিল অমা শেমদুনা চৎনহনবা ঙমদবা হায়বসি সরকার অসিগী হৈ–শিংবা ৱাৎপনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা মহৈরোই সাপম রোবিনহুদগী ইমুং–মনুংগী অমদি শোক্তুনা লৈরিবা মহৈরোইশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা ফোরম্না শরুক য়ারি হায়রি।

## ৱাংখেম, ককচিং অমসুং ৱাবগাইগী এম এল এ না ঈচাওগী অৱাবা নংলবশিংদা চেঙ য়েন্থোকখ্রে

***থৌবাল, আগষ্ট ৯ঃ***

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাংখেম কেন্দ্র এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ, ককচিং কেন্দ্রগী এম এল এ য়েংখোম সুরচন্দ্র সিংহ অমসুং ৱাবগাই কেন্দ্রগী এম এল এ ফাজুর রহিমনা ঈশিং ঈচাওনা অৱাবা নংলবা মখোয় মখোয়গী কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা ইমুংশিংদা চেঙ য়েন্থোকখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, কে মেঘচন্দ্র এম এল এ না য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুংদা লৈবা ঈচাওনা অৱাবা নংলবা মীওইশিংদা কাউন্সিল্লরশিং, ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বরশিং য়াওনা চেঙ কেজি ৫ / ৫ লেম্না য়েন্থোকখ্রে। মমাংদসু থক্লবা অফবা ঈশিং য়েনবগা লোয়ননা ফ্রি মেদিকেল কেম্পনচিংবা পাঙথোক্লবা হোৎনখিবা লৈখ্রবনি।

অৱা তেংবাং ওইনা চেঙ য়েন্থোকপা অদুদা য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন কৈশাম রুপচন্দ্র, ভাইস চিয়ারপার্সন এল হরিপ্যারি দেবী, কাউন্সিল্লরশিং থাংজম নোকুল মীতৈ, শগোলশেম তুনানবী দেবী, সোরাইসম রোমোলা দেবী, সনা বিবিসু শরুক য়াখি।

ককচিং কেন্দ্রগী ওইনসু ৱাই সুরচন্দ্র এম এল এ না ঈচাওনা অৱাবা নংলবা কেন্দ্র অসিগী মনুং চন্না লৈবা মীয়ামদা চেঙ য়েন্থোকখ্রে। ককচিং, পল্লেল, বিজয়পুর, কুৱাওপোকপী, ইরেংবন্দ, সোরা, খুন্দা চীংজিন–নচিংবা মফমদা কেজি ৫০ চনবা চেঙ বেগ ৪০০ রোম য়েন্থোকখ্রে।

হান্নসু অৱাবা তারবা মীয়ামদা চেঙ–হৱাই, থুম, আলু, কেন্দল য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রবনি। হন্দক্কী অসিনা য়ুমথোংগী ওইনা য়েন্থোক্কদৌরিবনি। মখা তানসু অঙম্বা মতেং পাঙখিগনি হায়বগী থাজবা পীরদুনা লন–থুম মাঙ–তাকখিবগী অকুপ্পা ৱারোল এস দি ও ককচিং অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা থাগৎলগা মতেং লৌনবা হোৎনগনি হায়রি।

ৱাবগাই কেন্দ্রগী এম এল এ ফাজুর রহিমনসু কেন্দ্র অসিগী ঈচাউনা শোকহল্লবা মীয়ামগীদমক চেঙ বেগ ৪০০ য়েন্থোকখ্রে। মখা তানসু অৱাবা তারবা মীয়ামদা পীবা য়াবা মতেং পীনবা হোৎনগনি হায়খি।

সনা-সুদোকু- ৪০৪ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 1 | 7 | 8 | 9 | 6 | 5 | 2 | 3 |
| 2 | 3 | 6 | 4 | 1 | 5 | 8 | 7 | 9 |
| 9 | 8 | 5 | 7 | 3 | 2 | 4 | 1 | 6 |
| 8 | 2 | 4 | 6 | 7 | 9 | 1 | 3 | 5 |
| 6 | 5 | 1 | 2 | 8 | 3 | 7 | 9 | 4 |
| 7 | 9 | 3 | 1 | 5 | 4 | 2 | 6 | 8 |
| 5 | 4 | 2 | 3 | 6 | 7 | 9 | 8 | 1 |
| 3 | 7 | 8 | 9 | 4 | 1 | 6 | 5 | 2 |
| 1 | 6 | 9 | 5 | 2 | 8 | 3 | 4 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-405**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | 8 | | | | 1 | | |
| | 5 | | 9 | 4 | | | 6 | 8 |
| 6 | | | | | 3 | 9 | | |
| 3 | 2 | | 7 | | | 6 | | 4 |
| | | 4 | | 2 | | | 5 | |
| 1 | | 9 | | | 6 | 8 | | 3 |
| | 1 | | 8 | | 4 | | | |
| | 9 | 6 | | | | 5 | | 7 |
| | | | 5 | | | 4 | | |


DIRECT ADMISSION 2015-16

"NO DONATION"

Easy instalment reputed Colleges in India

ENGINEERING :-
- ECE
- CIVIL
- MECHANICAL
- EEE
- CSE & MORE

MEDICAL :-
- MBBS
- BDS
- MDS
- B'SC. NURSING
- M'SC. NURSING
- PHARMACY & MORE

OTHERS COURSE :-
- MBA
- BBA
- BCA
- MCA
- B'SC. (ALL BRANCH)

FOR FURTHER ENQUIRY CONTACT &
VISIT CAREER SOLUTION
PALACE COMPOUND IMPHAL EAST
MAHABALLI ROAD NEAR BOAT & ADVANCE HOSPITAL
Contact No. 8730910588/8014080074



RESOURCE TUTORIAL CENTRE
KHURAI LAMLONG BAZAR, OPP KHURAI GIRLS' HIGH SCHOOL

CBSE CLASS IX & X
SA 1 - REVISION COURSE
Subject: Maths, Sc, & S.Sc.

CLASS STARTS : Monday, the 6th July, 2015
Timing: MORNING : 4:45 a.m. to 7.00 a.m.
EVENING : 4:30 p.m. to 7.30 p.m.

Admission Form will be available from 9 a.m. to 6 p.m.

Please Contact: 8415923747 / 9402002625